ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




রিমসনা ৱর্ল্ড ব্লদ দোনর দে, ২০২৫ পাঙথোক্লদুনা দিরেক্তর জি সুনিলকুমার অমসুং মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রোফেসর এম সঞ্জিবনা লুচিংদুনা ব্লদ দোনেশন তৌখিবা


থৱায় অনীগী ঈতিনফম... ☛ লামায় ৪

লামায় ৫ ☛ ক্রিমিনেলশিংবু শকখঙসি

থেংলবসু থেংনা মণিপুর স্টেটকী ওইনসু... ☛ লামায় ৬

লামায় ৯ ☛ প্লেন কায়দ্রিঙৈদা এয়র ইন্দিয়াগী পাইলোটনা দিষ্ট্রেস...

"মসিবু হার হাপ্তব্রো"? "মান্নি! হার... ☛ লামায় ১১

লামায় ১২ ☛ কটিৱা কৈনৌ থোংথক অৱাং লৈকাইনা চেম্পিয়ন...


নেশনল টেষ্টিং এজেন্সীনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা চৎলিবা চহী ২০২৫গী এন ঈ ঈ টি-য়ু জি এগজামিনেশন ২০২৫দা মণিপুরগী টোপ্পর ওইরকখ্রবা কোমেট কোচিং সেন্টরগী ইরৱিন খুন্দ্রাকপমবু তরাম্না ওকপা




Vol. 49, Issue No. 075 | নোংমাইজিং, ইঙাগী ১৯নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Sunday, June 15, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


### মণিপুরগী পুৱারীদা সনাগী মুক্তা ইহৌরগদবা থৌদোক

# জুন ১৩ অমসুং ১৪গী লোন্নবা অহিংদা তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট ৫দগী নোংমৈ ৩২৮, মরূ অমসুং বোমশিং রিকোভর তৌরে : পুলিস

**ইম্ফাল, জুন ১৪ (ঐচএনএস) :** পীক্লবা মণিপুরনা ওক্টোবর ১৫, ১৯৪৯দগী লৈবাক অসিগী শরুক অমা ওইরকপদগী ঙসি ফাওবদা অহানবা থৌদোক ওইনা ষ্টেট অসিগী অপূনবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬কী মনুংদগী তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্টশিং ওইরিবা ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল, বিষ্ণুপুর অমসুং ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী নুমিৎ নীনিগী লোন্নবা অহিংদা অফবা মখলগী নোংমৈ ৩২৮, নোংমৈশিং অসিগী য়াল্লবা মরূশিং অমসুং বোম্নচিংবা রিকোভর তৌরে হায়না মণিপুর পুলিস হেদ ক্বার্টরদগী থোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লে।



ষ্টেট অসিনা লৈবাক অসিগী শরুক অমা ওইখিবা য়াম্না ঙল্লিঙৈ চহী খরগী মতুংদগী ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়োক্তা খূৎলায় পায়বগী লালহৌলূপশিং লৈরকখ্রবসু হৌজিক ফাওবদা অসুক য়াম্না নুমিৎ অনীগী লোন্নবা অহিংদা খূৎশু-খূৎলায়শিং রিকোভর তৌবগী থৌদোক অমুক্তা থোকখিদ্রি। অদুবু মণিপুরগী পুৱারীদা সনাগী মুক্তা ইহৌরগদবা থৌদোক অসি থা অসিগী ১৩ অমসুং ঙরাংগী লোন্নবা অহিংদা থোকখিবনি হায়না পুলিসকী চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হায়রিবা নুমিৎ অসিগী লোন্নবা অহিংদা তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্টশিংগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা য়াল্লবা খূৎশু-খূৎলায়শিং লৈরে হায়বগী অকক্লবা পাউ ফংবদগী পন্থদনা তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট মঙাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পুলিস, সেন্ত্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্স, আর্মি অমদি অসাম রাইফলসনা খূৎশম্নদুনা থি-হুম্বগী থবক চথখি হায়রি।

সর্চ ওপরেশনশিং অসিদা রিকোভর তৌরক্লবা খূৎশু-খূৎলায়শিংনা ...মখা লমায় ৩ কলম ১

### এয়র ইন্দিয়াগী প্লেন কাইবদা লৈখিদবা মীওইশিংগী মশীং ২৭০ শুখ্রে

# প্লেন কাইফমদা মচেনা ঙান্থোইগী থৱায়মি কৌখৎলুরে ঙসি ফাওবগী মনুংদা ঙান্থোই ১সুং সিংসনগী হকচাংশিং মশক খঙলগনি

### এম পি অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা ঙান্থোইগী ইমুংগী অৱাবদা শরুক য়াখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ১৪ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ৭তা লন্দনগী গেটৱিক এয়রপোর্ট তম্না গুজরাটকী অহমেদবাদকী সর্দার ভল্লবভাই পটেল ইন্টরনেশনল এয়রপোর্টতগী পেসেঞ্জর ২৩২ পুদুনা পাইখৎখিবদা ঙাইরিঙৈদা মনাক নক্লা লৈবা বি জে মেদিকেল কোলেজগী হোষ্টেলদা থোমজিন্দুনা কাইবদগী রামেস বিশ্বাসকুমার কৌবা পেসেঞ্জর অমখক নত্তনা অতৈ লোইনমক্কী পূন্সি মাঙহনখিবদা নত্তনা পাইশিল্লক্তুনা কাইখিবা তাঞ্জাদা চাক চাদুনা লৈখিবা মেদিকেল কোলেজগী মহৈরোয় খরা শোকখিবগী মনুংদগী কনবা ঙমদনা লৈখিদবা য়াওরকপনা হৌজিক ফাওবদা থৌদোক অসিদা লৈখিদবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ২৭০ শুরে হায়রি।



অমরোমদা, থৌদোক অসি মতৌ করম্না থোকখিবনো হায়বগী চপ চাবা মরম খঙদোক্লবা থিজিল্লিবা হায় লেভেল কম্মিটিনা মখোয়গী রিপোর্ট থা ৩গী মনুংদা পীখৎলক্লগনি হায়রি।

হীরম অসিগী মতাংদা য়ুনিয়ন সিভিল এভিএশন মিনিষ্টর রাম মোহন নাইদুনা ঙসি লাউথোকখিবদা থৌদোক অসিগী মতাংদা থিজিন্নবা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মায়কৈদগী হায় লেভেল কম্মিটি অমা শেম্লে। কম্মিটি অসিনা থা অহুমগী মনুংদা থৌদোক অসিগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## ইন্দিয়া : পোজিটিভ কেস ৭,৪০০ শুরে, ৯ শিরে

**ন্যু দেল্লী, জুন ১৪ (এজেন্সী) :** য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা ঙসি তৌরকখিবা রিপোর্ট অমদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা অনৌবা কেভিদ-১৯গী কেস ২৬৯ থেংনবগা লোয়ননা ঙসি ফাওবদা পূন্না মায়োক্লবা পোজিটিভ কেসকী মশীং ৭,৪০০ শুরে অদুগা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদনা লায়না অসিনা মরম ওইরদুনা মীওই ৯গী পূন্সি মাঙহনখ্রে হায়রি।

## হয়েংদগী জেনিমস হাংলগনি

**ইম্ফাল, জুন ১৪ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ২দগী ঈশিং ঈচাও মায়োক্লরক্তুনা ইমর্জেন্সি ওপরেশনশিং য়াওনা জেনিমস হোস্পিটালদা হেল্থক্যের সর্ভিসতা অপনবা পীরকপদগী লেপ্তুনা লৈরকখিবদু থা অসিগী ১৬তগী মহৌশাগুম্না হাংবগা লোয়ননা ইন্সটিট্যুট অসিগী একাদেমিক এক্টিভিটিশিংসু হৌরগনি হায়রি।

## ইচাগী মীশিগী অচুম্বা পুথোকপীয়ু

**ইম্ফাল, জুন ১৪ (ঐচএনএস) :** তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী লাংগোল খুলদগী লাল্লগা চীংমৈরোংগী অদিমজাতি হোষ্টেলদা লৈদুনা দি এম কোলেজদা বি এ তম্লিবা



মহৈরোয় টি মোলিয়ানবোই মীশিগী অচুম্বা লংলা-লংজিন পুথোকপদা মরী লৈনবশিংনা মতেং পাংবীয়ু হায়না মহাক্কী অপোকপী লানুসিলু আইমোলনা পাউমীশিংগী খূত্থাংদা আপীল তৌখ্রে।


ঙসি প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা আপীল তৌরদুনা মহাক্না হায়, হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎকী নুমিদাংদা মহাক্কী মচানুপা মশা ঙল্লক্রে হায়দুনা সিটি হোস্পিটালদা লায়েংনবা পুখৎলে হায়না হোষ্টেলদগী পাউ পীরকখি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৩

## য়ু জি অমা ফারে

**ইম্ফাল, জুন ১৪ (ঐচএনএস) :** ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা লমশাং পুলিসনা কোল্লিবা তাওথোং খুনৌগী খুদৈবন্দ লম্পাক মনাক্তগী প্রিপাক (প্রো) গী কাদর অমা ফারে হায়রি।

মহাক্কী মমিং সোইবম রবিচন্দ্র এলিয়জ খাবা (২৮) কৌই, ত্রোংলাওবী মখা লৈকায়দগীনি। মঙোন্দগী মোবাইল ফোন অমা অমসুং আধার কার্দ অমা রিকোভর তৌরে হায়রি।

## জিরিবামদা বঙ্কর অহুম থুগাইখ্রে



**ইম্ফাল, জুন ১৪ (ঐচএনএস) :** ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা জিরিবাম পুলিস ষ্টেশনগী মনুং চল্লিবা সৈজাং ভিলেজগী মফম অমদা ইল্লিগেল ওইবা মওংদা শারম্বা বঙ্কর অহুম শিদোক্তুনা থুগাইখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি, মে ৩, ২০২৩দগী হৌরকখিবা মণিপুরগী তমথীরবা লান অসি থেংলবসু থেংনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতসু য়ৌশিল্লকপদগী য়ুম মৈ থাবা অমসুং মরাল লৈতবা নুপী অঙাং য়াওনা মীচম কয়া কুকি-জো টেররিষ্টশিংনা হাৎপগী থৌদোকশিং থোকখ্রবনি।

**গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা**

# অহমেদবাদ ক্রাশ : ঙান্থোই ১সুং লামনুনথেমদা লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি

**ইম্ফাল, জুন ১৪ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১২গী নুমিৎয়ুংবা মতুংদা লন্দন তম্না পাইগদবা এয়র ইন্দিয়াগী পেসেঞ্জর ২৩২ তোংবা ফ্লাইট অমা পাইখৎপগা ইকুই কুইদনা অহমেদবাদকী বি জে মেদিকেল কোলেজগী হোষ্টেল বিল্ডিংদা থোমজিন্দুনা কাইখিবা থৌদোক্তা পেসেঞ্জর অমখক নত্তনা পাইলোৎ অনী, ক্রু মেম্বর ১০গা লোয়ননা লেমহৌরিবা পেসেঞ্জর পুম্নমক লৈখিদবা থৌদোক্তা য়াওখিবী থৌবাল অৱাং লৈকায়দগী কোংব্রাইলাৎপম ঙান্থোই (২১) অমসুং কাংপোকপীদগী লামনুনথেম সিংসন (২৮) গী মফমদা ঙসিসু তোঙান তোঙানবা লূপশিংনা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।





প্রোগ্রেসিভ পিপলস এলাইএন্স মণিপুরগী মায়কৈদগী ওল ইন্দিয়া টাঞ্জিম-ঈ-ইনসাফ-মণিপুরগী কনভিনর ৱাংময়ূম ইস্লাউদ্দিননা থোরকপা চেরোল অমদা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবী মখোয় অনীগী মফমদা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

**অম্মোকোক :** ওল মণিপুর মুস্লিম ওর্গনাইজেশন্স কোওর্দিনেটিং কম্মিটি (অম্মোকোক) নসু মখোয় অনীগী মফমদা থম্মোয় শোক্লা ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## মণিপুর : মীওই ৫১ কোভিদ-১৯গী টেষ্ট তৌরে, পোজিটিভ কেস ৮ শুরে

**ইম্ফাল, জুন ১৪ (ঐচএনএস) :** ঙরাং ফাওবদা মরী লৈনবা লৈঙাক্কী লোয়শঙশিংগী ওফিশলশিংনা থোরকপা মণিপুরগী কোভিদ-১৯গী ষ্টেটস অপদেটকী রিপোর্টতা অপূনবা মীওই ৩৬ টেষ্ট তৌবগী মনুংদা পোজিটিভ কেস ৫ থেংনরে হায়দুনা ওফিশল ওইনা ফোঙদোরকখ্রবা মতুংদা ঙসি ওথোরিটিশিং অসিনা খূৎয়েক পীদুনা থোরকপা কোভিদ-১৯গী ষ্টেটস অপদেটতা টেষ্ট তৌবা মীওইশিংগী মশীং ৫১ শুবগা লোয়ননা পোজিটিভ কেসকী মশীংসু ঙরাংদগী অহুম হেনগৎলগা পূন্না ৮ শুরে হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ঙসি ফাওবদা দিষ্ট্রিক্ট ১৬কী মনুংদগী টেষ্ট তৌবগী মীশিং ইম্ফাল ৱেষ্টনা ৪৪ ওইদুনা খ্বাইদগী য়াম্লি অদুগা পোজিটিভ ওইবগী মশীংসু দিষ্ট্রিক্ট অসিদা ৪ শুবগা লোয়ননা খ্বাইদগী য়াম্লি। ঙসি ফাওবদা পোজিটিভ কেসশিং থেংনরবা অতৈ দিষ্ট্রিক্টশিংনা ইম্ফাল ইষ্ট-৩ অমসুং বিষ্ণুপুর-১নি। ইম্ফাল ইষ্টকী ওইনদি পূন্না মীওই ৫ টেষ্ট তৌবগী মনুংদা পোজিটিভ কেস ৩ থেংনবনি হায়রি। অদুগা ঙসি টেষ্ট তৌখিবা মশীংনা ১৫নি হায়রি।

### য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা মচিন চেন্থি থীরব্রা

## হোম মিনিষ্ট্রিনা নুমিৎ ৩০নিগী মনুংদা মীতোপ খন্দোক্কনি হায়খ্রবসু থবক্তা ওন্থোক্ত্রে : মুতুম চুরামনি

**ইম্ফাল, জুন ১৪ (ঐচএনএস) :** মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসনা থা অমগী মনুংদা লৈবাক অসিগী ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংদা লোগী ৱাংমদা



লৈরকপা বাংলাদেশি অমসুং ম্যান্মারগী মীওইশিং খন্দোক্তুনা তকথোক্কনি হায়বগী ৱাফম ফোঙদোকখ্রবসু মণিপুরগী প্রসিদেন্টস রুল লৈঙাক্লা থবক অমত্তা পায়খৎলক্তবসি লাইৱকথীবনি হায়না মীতৈ (মৈতৈ) ত্রাইব য়ুনিয়নগী সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেশন) মুতুম চুরামনিনা ফোঙদোকখ্রে। ...মখা লমায় ৮ কলম ১

### এন ঈ ঈ টি-য়ু জি এগজামিনেশন ২০২৫

## কোমেট কোচিং সেন্টরগী ইরৱিন খুন্দ্রাকপমনা মার্ক খ্বাইদগী ৱাংনা ফংদুনা মণিপুরগী টোপ্পর ওইরে

**ইম্ফাল, জুন ১৪ (ঐচএনএস) :** চহী খুদিংগী পাঙথোকপগুম চৎলিবা চহী ২০২৫ অসিগীসু এদ্যুকেশন মিনিষ্ট্রিগী হায়র এদ্যুকেশন দিপার্টমেন্টকী মখাদা ওটোনোমস বোদি অমা ওইরিবা নেশনল টেষ্টিং এজেন্সীনা পাঙথোকপা এন ঈ ঈ টি-য়ু জি এগজামিনেশন-২০২৫গী রিজল্ট লাউথোরকপদা কোমেট কোচিং সেন্টরগী মহৈরোয় ইরৱিন খুন্দ্রাকপমনা অপূনবা মার্ককী চাদা ৯৯.৮২ ফংদুনা ওল ইন্দিয়াগী ৩৭০৬শুবা রেঙ্কতা মায় পাক্লকপদা নত্তনা মণিপুরগী ওইনা ষ্টেট টোপ্পর ওইরক্লে।

এগজামিনেশন অসিগী রিজল্ট ঙসি লাউথোরকপদা মায় পাক্লকখিবা মণিপুরগী মহৈরোয় কয়াগী মনুংদা য়াওরকখিবা মহাক্না ষ্টেট অসিগী ওইনা মার্ক খ্বাইদগী য়াম্না ফংদুনা টোপ্পর ওইরকখিবনি। অপূনবা মার্ক ৭২০গী মনুংদা মহাক্না ৫৭৯ ফংখি। খাঙবোক মাইস্নাম লৈকায়দগী কে ঐচ গোপিমোহোন অমসুং খুন্দ্রাকপম ওংবী প্রোমিলাগী মচানুপা ইরৱিনগা মহাক্কী য়ূমদা হকথেংননা উনরুবদা মহাক ডাক্তর অমা ওইদুনা মীয়ামগী অনা-লায়েংগী থবক তৌবা ঙম্বা ওইজগে হায়রকখি। ...মখা লমায় ৮ কলম ৫

## মীওই ৫ কানি কেজি মরি হেনবগা কোন্নপা ফারে



**ইম্ফাল, জুন ১৪ (ঐচএনএস) :** ঙরাং সিক্যুরিটি ফোর্সনা তেংনৌপল পি এসকী মনুং চনবা সিতাদা লৈবা মোটোর ভেহিকলস চেক পোষ্টতা মীওই মঙা কানি কিলোগ্রাম ৪.১৫২গা কোন্নপা ফারে হায়রি।

ফারবা মীওইশিংদি লিলোং হাওরৈবীদগী এম দি অজাদ খান, লিলোং তুরেল অহনবীগী দারুল উলুম মনাক্তগী এম দি মাকসুদ (৪৪), লিলোং হাওরৈবীদগী অলিনা বিবি (৪২) অমসুং চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী শজিক তম্পাক হোইকোন খুলদগী হৌজিক্লা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী চেলেপ খুলদা লৈরবা হাৎসি জৌ (৩২) নি হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## লৈঙাক্লা হোম গার্দশিংগী ফংহনবীরক্ত্রিবা হকশিংগী মতাংদা অরোইবা মীফম পাঙথোকখ্রে




**ইম্ফাল, জুন ১৪ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদা চপ চাবা য়ুনিফোর্ম সর্ভিস অমগুম্না পুং ২৪ চূপ্না মথৌ পাঙথোক্লিবা মণিপুর হোম গার্দকী মেম্বরশিংনা ফংফম থোক্লিবা হকশিং হৌজিক ফাওবদা মরী লৈনবা লৈঙাক্কী ওথোরিটিশিংনা ফংহনবীদনা নমশিন্দুনা থম্বীরকপশিং পুথোক্তুনা থেঞ্চাং নাইনা চথরকখিবা হোম গার্দ বট্টালিয়নশিংগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৩

## উলফাগী লুচিংবা পরেস বরুৱা ১সুং মীওই ২গী মথক্তা এন আই এনা চার্জশীট ফ্রেম তৌখ্রে

**গুৱাহাটি, জুন ১৪ (এজেন্সী) :** মমাঙ চহী ২০২৪দা লৈবাক অসিগী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোক্লখিবগুম অসামদসু পাঙথোকখিবা ইন্দিপেন্দেন্স দে থৌরমগা মরী লৈননা অসামগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা আই ঈ দি পোকখায়হনখিবা থৌদোক্কী মায়োক্তা নেশনল ইনভেষ্টিগেশন এজেন্সী (এন আই এ) না লৌখৎপা কেসকী ইনভেষ্টিগেশন চথবা লোইরবা মতুংদা এজেন্সী অসিনা য়ুনাইটেদ লিবরেশন ফ্রন্ট ওফ অসোম (উলফা-আই) গী চীফ পরেস বরুৱা অমসুং অতোপ্পা লুচিংবা অনীগী মথক্তা চাজশীট ফ্রেম তৌখ্রে হায়রি।

...মখা লমায় ৩ কলম ১

## মণিপুরগী তমথীরবা লান অসি চহী ৫/১০ চঙখিগদবা ওইরবদি লাঞ্জেন্নরকপা ঐখোয় পাকখন খল্লবসু ইনীং তম্না লৈহনবীরো : এন রোমিও

**রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী**
**হকথেংনবা পাউদম**
**চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী য়াইফকোল থিঙ্কাংফাইদগী খুঞ্জা**

**(ঙরাংগী মখা...)**

মে ৩, ২০২৩দগী কুকি-জো টেররিষ্টশিংনা মীতৈদা ওনশিন্দুনা চথরকখিবা তমথীরবা লানগী থৌদোকশিংনা মরম ওইরদুনা চূড়াচান্দপুরগী য়াইফকোল থিঙ্কাংফাইদগী থৱায় হিংনবা লাঞ্জেল্লক্তুনা হৌজিক চহী অনী হেল্লক্লবা ফাওবদা হিয়াংথাংগী কামখ্য পেমতোন কোলেজদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবা নিংথৌখোংজম রোমিও মৈতৈ (৪৩) না পাউচে অসিদা মখা তানা হায়, লান মনুংদা থোকখিবা থৌদোকশিংগী মনুংদা অদুক্কী মতিক থম্মোয় শোকখিবা অমা হায়বা তারগদি কুকি ভোলন্টিয়রশিংনা ঐখোয়বু থৎলগা থমখিবা মতমদুদা ঐহাক নুপা অমা ওইরবসু খূৎতা খূৎলায় পায়দবনা অমদি লাঞ্জেল্লকখিবা ঐখোয়গী মশীংসু য়ামখিদবনা পাঙ্গল ফূদোকপা করিসু ঙমখিদবা অমসুং ঐহাক্কী নুপী-অঙাংনা হান্না চৎহনখ্রবনিনা মখোয়গা অমুক হন্না উনবা ফংলরোইদ্রা হায়বগী ৱাখলনা অদুক্কী মতিক পোকহনখিবা খোইরাং-খোইশাওনবা অদুনি।

অসুম্না অসুক ৱানা থম্মোয় শোক্লা হিংলকপগা লোয়ননা ঐখোয়গী য়ুম-কৈ মৈনা তুম্না থাদোকখ্রবনিনা কুকি লমহেনবশিং অদুগী মথক্তা লমন খুমগনি হায়বগী ৱাখলগা লোয়ননা সিফাইগী কেম্পতা লাকখিবনি। কেম্প অদুদা লৈবদা চাবা থকপা য়াদদুনা ইমুং-মনুংগী মীওইশিং নারকপা য়াওখি। থুম খরা পীবিয়ু হায়বা ফাওবদা ফংদনা য়াম্না ৱানা লেল্লগা লাকখিবনি।

হৌজিক্তি রিলিফ কেম্প অসিদা নোংমগী চরা অনীদি চারে হায়ববু করিসু নুংঙাইনা হিংবা পূন্সি হায়বদুদি ওইদ্রি। পোন্দা য়োকপা চেক্লাদা ফনা অহাওবা পীজদুনা থল্লবসু মনীং তম্না অপাম অপাম্বা খল্লগা চাজরিবা চেক্লা অদুনদি হেন্না পূন্সিগী মহাও খঙলমগনি হায়বা ৱাফম অসিদগী হেন্না হায়নীংঙাই লৈতে। মরম অসিনা মরী লৈনবশিং অমসুং ঐখোয়বু নুংশিবীবশিংনা অমুক্তং রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা ঐখোয়বু ইশাগী য়ুম ইঙ্খোলদা হঞ্জিলহন্দুনা মহৌশাগুম্না লৈবা ফংহনবীয়ু। করিগুম্বা হৌজিক হোরেন চঙশিনবা ঙম্লোই হায়রগসু ঐখোয়বু তোঙান্না ঈনীং তম্না লৈজবা য়াবা পাকখন ওইনসু খঞ্জিন্দুনা লৈনবগী মফম পীবিয়ু। অসিদগী হেনবা অমত্তা পামজদ্রে। ৱাফমশিং অসি ফোঙদোরকপদা রোমিওগী মমিৎতগী মপি তারকখি।

## হন্দক্কী ঈশিং-ঈচাওনা লুপা লাখ ১ রোমগী থবী অমসুং কোবি মাঙহনবীখ্রে : সুরেন্দ্রজিৎ



ইম্ফাল ইষ্টকী তরেৎ খুল অৱাং লৈকায়দা সাইরেম সুরেন্দ্রজিৎ (ইন্সেট) না থাজবা থবী লৌফম ঈশিং-ঈচাওনা মাঙহনখিবা অমসুং ঈচাওনা মাঙহন্দ্রিঙৈগী শক্তম (ইন্সেট)

বিজয় লাইশ্রম

**ইম্ফাল, জুন ১৪ (ঐচএনএস) :**

মমাঙ থাগী ২৭/২৮দগী হৌরদুনা নুমিৎ খরনি চূপ্না লেপ্তুনা চুরকখিবা নোংনা মরু ওইবা তুরেলশিংগী ঈমাই ৱাংখৎলকপদগী তুরেল তোর্বান কায়দুনা চেনশিল্লকপা ঈশিংনা সেনাপতি, কাংপোকপী, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইম্ফাল ইষ্টতা মরু ওইনা ঈশিং-ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্লহনখিবদা নত্তনা মনা-মশিং থাবনা শিনফম ওইদুনা হিংনবগী পান্থে ওইজরকপা মীওই ...মখা লমায় ৩ কলম ৩

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫